সিনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ

# মণিপুরনা নুপীগী রেগুগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর২০(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইদুনা কোলকাটাগী জ্যোটিরমোই নোলেজ পার্কতা চত্থরকপা ৩২শুবা সিনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা নুপীগী রেগু ইভেন্টকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা এস এস বিবু ২-০ (২১-১৭, ২১-১২) দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

মায় পাকখিবা ষ্টেট নুপী টিমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি ও জিমী, ঈ শিলপা, ও চাওবা, ঈ প্রিয়া অমদি দল্লিয়ু সনাজাওবীনি।

ষ্টেট টিম অসিগী কোচ ওইনা সী ঐচ গেস্কান্ট অমদি এন জি রাকেশ্বর অদুগা মেনেজর ওইনা দল্লিয়ু জি তেননা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, ষ্টেট নুপী টিমনা সেমীফাইনেলদা হরয়ানাবু ২-০ (২১-১৬, ২১-১২)দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেলে চঙলকখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরনা কেরলাবু ২-০ (২১-৯, ২১-৭) দা মায়থীবা পীরম্বগা লোয়ননা গ্রুপ এগী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলে চঙলকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী রেগু ইভেন্টকী হার্দলাইন মেটচতা মণিপুরনা উত্তর প্রদেশপু ২-০ (২১-১২, ২১-১৬)দা মায়থীবা পীরম্লগা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখিবনি।

# ঐখোয়গী য়ু-১৭ ৱিমেন্স ফুটবোল টিমনা অকনবা রাইভেলশিংগা শান্নবদা চিংনখিদে : ও বেমবেম



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ২০(এজেন্সী): ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগী হান্নগী মিদফিল্ডর ওইরম্বী ওইনাম বেমবেমনা ফিফা অন্দর-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী ইন্দিয়াগী কেম্পেন্যনগী মতাংদা মহাক্কী ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লদুনা নহা ওইরিবা নুপীমচাশিংনা মায়থীবদগী তমশিন্দুনা অমদি মখোয়গী অশোনবা এরিয়াদা হেন্না কন্না মেনখৎনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

বেমবেমনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক ভুবনেশ্বরদা চৎতুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচ য়ু এস এগা শান্নখিবা ষ্টেদিয়মদা লাইভ ওইনা য়েংখি। ঐখোয়গী নুপীমচাশিংনা য়ু এস এগা থেংননবা কন্না হোৎনখি। মদু মখোয়গী অহানবা ৱর্ল্ড কপ গেমনি অমদি মখোয়গী চহী অসিদা পাখৎপা, থুক্কৎপা হায়বসিদি মহৌশানি হায়রি।

খ্বাইদগী অচৌবা পোজিটিভ ওইবা হায়রগদি ঐখোয়গী নুপীমচাশিংনা চিংনবা লৈতনা অচৌবা ওপোনেন্টশিং- য়ু এস এ, মোরোক্কো অমদি ব্রাজিল থেংনখিবা অসিনি অমদি মখোয়দা টিম স্পিরিটকী থৌনা উবা ফংই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মহাক্না মখা তারদুনা নুপীমচাশিং অসি হৌজিক অফবা ফুটবোল শান্নবা হৌরকপদা ঙাইরি। মখোয়না গেম খূদিংমক্তগী তমশিনগদবনি। মসিনা লাক্কদৌরিবা মতমদা মখোয়গী মতেং ওইরক্কনি।

ঐনা নুপীমচাশিং অসিদা লৈরিবা চাওরবা পোটেন্সিএলশিং অমদি টেলেন্টশিংবু থাজে অমদি তুংদা অচৌবা মায় পাকপা ওইরক্কনি হায়খি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# কোচ ৱালিদ রেগ্রাগুইগী মখাদা মোরোক্কোনা রাউন্দ ওফ ১৬ য়ৌনবা হোৎনগদৌরি




## নুমিৎ ৩০নি খক্তা ঙাইরে ঐখোয় পূন্না য়েংমিন্নগদবা



*মোরোক্কোগী হেদ কোচ ৱালিদ রেগ্রাগুই*

ইন্টরনেসনল প্লেয়িং করিয়রদগী পোত্থারবা মতুং ৱর্ল্ড কপকী এটমোস্ফ্যেরদা অমুক হল্লক্কনি থাজরুদ্রবা কোচ ৱালিদ রেগ্রাগুইগী লমজিং মখাদা মোরোক্কোনা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা য়াম্না থাজদনা মেক্সিকো ১৯৮৬ কুম্না রাউন্দ ওফ ১৬ চঙবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

রেগ্রাগুইনা মোরোক্কোগী কটার মেগা ইভেন্টকী মফম কন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী ৱাইদাদ কাসাব্লাঙ্কাগী হোট-সিটকী রোলদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা কোঙ্গো দি আরবু ৫-২ এগ্রিগেটতা মায়থীবা পীরমখি।

মদুগী মতুং চয়োল অমা লৈরগা মহাক্না সী এ এফ দিফেন্স লাইন পানদুনা মায় পাক্না কেম্পেন্যন চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্না মায় পাক্না সেফ তৌখিবগী চাং অসি চাদা ৭৬ ওইরি।

রিয়াল মাদ্রিদ একাদেমিগী প্রদক্ট ওইরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ষ্টার প্লেয়র মশাগী চহী ২৩ শুরবা অস্রাফ হাকিমিবু মোরোক্কান ফেনশিংনা খ্বাইদগী য়াম্না থাজবা শান্নরোয় ওইবদা নৎতনা নেসনল টিম স্কৱাদ অসিগী মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরি। মহাক চহী


## কটার ২০২২দা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মোরোক্কোগী শান্নরোয় ৫



*য়াসিন বৌনু (গোলকিপর)*



*রোমান সাইজ (সেন্টর বেক)*



*অস্রাফ হাকিমি (রাইট ৱিং বেক)*



*সোফ্যান অমরাবট (মিদফিল্ডর)*



*সোফিয়ান ব্যুফল (লেফট ৱিঙ্গর)*

চেম্পিয়ন্স লীগকী মাষ্টরমাইন্দ ওইদুনা কাসাব্লাঙ্কাদা বেজ তৌবা টিমনা ইজিপ্টকী অল অলহিবু মায়থীবা পীরম্বদগী মিদিয়াগী অপাম্বা ওইরক্তুনা নেসনল টিমগী কোচ ওইনবা ফোঙদোক্লরকপদগী মহাকপু কোন্না নেসনল টিমগী হেদ কোচ ওইনা ফাইনেলাইজ তৌখিবনি।

কোচ রেগ্রাগুইগী স্কৱাদতা য়াওরিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ষ্টার অমদি জমোরা ট্রোফি হোল্ডরনচিংবনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মোরোক্কোবু মায় পাক্না কেম্পেন্যন চত্থবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

রসিয়া ২০১৮দা অহানবা ওইনা ৱর্ল্ড কপকী মহাও ফংখ্রবা মোরোক্কান লায়ন হায়রগসু খঙনবা হৌজিক-হৌজিক জমোরা ট্রোফি হোল্ডর ওইরিবা গোলকিপর য়াসিন বৌনু মোরোক্কোগী লাষ্ট নৌরিঙৈ চহী ১৭কা থা ১১গা নুমিৎ ৭নি শুবদা কোচ হর্বি রিনার্দনা অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল ষ্টেজদা শান্নবগী খূদোংচাবা পীখিবনি।

চহী অসিগী সী এ এফ অফ্রিকা কপ ওফ নেসনদা গোল ৩ চন্দুনা মোরোক্কোগী কি ফিগর অমা ওইখিবা সোফিয়ন ব্যুফল, মেগ্রাগুইগী সিষ্টমগী ইন্সট্রুমেন্টেল রোল লৌগদৌরিবা হান্না ভেরোনাগী মিদফিল্ডর সোফ্যান অমরাবট অমদি ২০১২দগী হৌদুনা নেসনল টিমগী ওইবা মেটচ ৬৩ শরুক য়াখ্রবা সেন্টর বেক পোজিসনদা শান্নরিবা রোমান সাইজনা মোরোক্কোবু রাউন্দ ওফ ১৬ য়ৌহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি।

| Date | Match Details (Grp-F) | Venue |
|---|---|---|
| November 23 | Morocco vs Croatia | Al Bayt Stadium |
| November 27 | Morocco vs Belgium | Al Thumama Stadium |
| December 01 | Morocco vs Canada | Al Thumama Stadium |

# মণিপুর ষ্টেট লীগ : দি এম রাওনা জি এস সী, এম পি এস সীনা নেসু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী)না নোর্থইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাইবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুলিস টিমগী নোংথোম্বম বোইবোইসনানা শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই পুলিসকী কেপ্টেন থাংজম কিরননা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা লালসিয়ামথাং ফিমাটেনা ইঞ্জ্যুরি টাইমদা গোল ১গা হাপচিন্দুনা এম পি এস সীনা নেসুবু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা কেপ্টেন হুইদ্রোম প্রিয়ো মৈতৈনা শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা নেসুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী পুলিস টিমনা নেসুবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমদা পুলিস টিমগী দিফেন্দর রোশিকি রানেল খাইদেমবু রেফরি য়ুলুং লুংসুনা দাইরেক্ট রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিমাপুর রোদ এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (দি এম রাও) অৱাং সেকমাইনা গাঙম সোক্কর ক্লব (জি এস সী)বু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

দি এম রাওগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঙাথেম ইমর্সন মীতৈনা শান্নবগী ১৮ অমদি ২৬শুবা মিনটতা গোল ২ অমদি কেপ্টেন কিষন থোঙামনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি।

জি এস সীগী গোলশিং অদুনা লুনটিনসাই মাটে অমদি লালুংমোন খোংশাইনা শান্নবগী ১৫ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা অম্ফা কপ

# ৱোরনৈলেনগী গোলনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২০(ঐচএনএস): সর্টো ৱোরনৈলেন কোমনা শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসনবু ১-০দা চত্থরিবা অনীশুবা অম্ফা কপকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা রেফরি থুমলি জয়সিং মোন্সাংনা মায় পাকখিবা ক্লাসিক একাদেমিগী সগোলশেম বিজেশ্বর শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা অদুগা অমোফা মোইরাংগী রোবর্টসন মোইরাংথেম অমদি কুমাম ইঙো শান্নবগী ৪৫ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসননা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সীবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

কিষন নাওরেমনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা ৱাঙ্গোইগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। থৌনাওজম হেম্বনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা অনীশুবা, এম দি ইশানা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা অহুমশুবা অমদি হিদম রাকেশনা মেটচ লোইরমদাই অনীশুবা হাফ শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী মরিশুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি কাংজম অমিটকুমার মৈতৈনা য়ুনাইটেদ ব্রসর্দসকী খাঙমপম জিমিক অমদি ৱাঙ্গোইগী অরিবম ক্রিটিবাস শান্নবগী ৩৭ অমদি অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# বালাগী হেটট্রিকনা মণিপুর পুলিস চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০(ঐচএনএস): ঙাঙোম বালানা অনীশুবা হাফতা চনখিবা গোল ৩গী মতেংনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা আই সী এস এ ইরেংবমবু লাকচনা ৩-০দা চত্থরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

বালাগী অহানবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফ হৌরকপগী শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি মাইবম রোশনী চনুনা ইরেংবমগী খুমুকচম সনামিজা চনুবু শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ)না কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা) নাওরেমথোংবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ুনাইটেদ পুখাওগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু নোংমৈকাপম শিবানী অমদি নাওরেম হেনারিতানা শান্নবগী ১৪ অমদি ১৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ক্রিপসাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লাইশ্রম বিবিচানা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অসিদা অহানবা গোল চনখিবা পুখাওগী এন শিবানী রেফরি দেবলা এলাংবমনা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থাংজ নুমিৎতা মেটচ ২ শান্নরগনি। অহানবদা আই সী এস এ অমদি ৱাই দল্লিয়ু সী (টি ঐচ), ২শুবদা ক্রিপসনা অমদি ঈ এস য়ু শান্নরগনি।

# নহাশিং শান্ন-খোৎনবদা হেন্না চিংশিনবা ঙম্লবদি ৱার ওন দ্রগস মায় পাক্কনি : গোবিন্দাস কোন্থৌজম



ককচীং, ওক্টোবর২০(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা হৌরক্লিবা নহাশিং অসি শান্ন-খোৎনবদা হেন্না চিংশিনবা ঙম্লবদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী ৱার ওন দ্রগস অসি হেন্না মায় পাকপা অমা ওইবা ঙমগনি হায়না য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মিনিষ্টরনা ককচীং চুম্নাংদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা বেদমিন্টন মশান্নগী খেলো ইন্দিয়া দিষ্ট্রিক্ট সেন্টর ককচীং হাংদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী শান্ন-খোৎনবদা পূক্নিং থৌগৎপা অমদি মীপূম খূদিংমক হকচাং ফনা লৈগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা খেলো ইন্দিয়া হৌদোকপীদুনা ষ্টেট অসিদসু খেলো ইন্দিয়াগী সেন্টর কয়া হাংনবা খূদোংচাবা পীরকপা অসিগী মনুং চন্না ককচীং দিষ্ট্রিক্টতসু হাংদোকপনি।

খেলো ইন্দিয়াগী সেন্টর অসি দিষ্ট্রিক্ট খক নৎতনা ষ্টেটকী লৈরিবা সব-দিভিজন ৬৩মক্তসু সেন্টর অমমম্ হাংনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনবা লৈখ্রে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি সী ঐচ ছাব্রানা থৌরম মপু অদুগা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন, দেপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবা অমদি থৌবাল/ককচীংগী দিৱাইএস ও চিত্তরঞ্জননা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# মেদল লৌরকখ্রবা অমদি শরুক য়ারুবশিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ককচীং, ওক্টোবর২০(ঐচএনএস): হন্দক্তা গুজরাটতা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসতা মেদল লৌরকখ্রবা অমদি শরুক য়ারুবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এসোসিএসনগী এদভাইজর এন চন্দ্রসেখোর, কে এস ঐচ মনিহার, প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ধর্ম্মদাস, সেক্রেটরি এম নিলোনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা শান্নরোয়শিংদা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

পনবা য়াবদি, গুজরাটতা পাঙথোকখিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমস অদুদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টতগী শান্নরোয়শিংনা সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৪ ফংদুনা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকখিবনি।

ইন্টর কোলেজ ফুটবোল

# লিবরেল কোলেজনা য়ুনাইটেদ থোইদুনা সেমী চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২০(ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা মোইরাং কোলেজনা য়ূম্বু ওইদুনা চত্থরিবা এ প্রতাপ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (মেন) টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মমাং চহীগী রন্নর্স অপ লিবরেল কোলেজনা য়ুনাইটেদ কোলেজপু টাই ব্রেকতা ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাক্লবা লিবরেল কোলেজনা রেবর্ন কোলেজকা থা অসিগী ২২দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা স্কোর ২-২দা দ্রো ওইখি। লিবরেল কোলেজকী গোল ২ অদুনা এস তোপ্পরনা চনখি। য়ুনাইটেদ কোলেজকী গোল অনী অদুনা মিকা সিনরুং অমদি ফারিংনা চনখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা য়ুনাইটেদ কোলেজকী মায়কৈদগী শান্নরোয় অনী অদুগা লিবরেল কোলেজগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৪না গোল ওন্থোক্তুনা ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনলে চঙবা ঙমখি।

# কে এ এল ৱাই সী, এস জে সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০(ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা মালোমগী ৱাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এ এল ৱাই সী চজিং করাম অমদি এস জে সী সলাম ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

সলামগী গোল অদুনা এম দি ফয়াল খাননা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চনখি অদুগা চজিং করামগী গোল অদুনা খ্বাইঙানবনা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা ৱাই এ সী য়ুরেম্বমবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি। ৱাঙ্গোইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সেমসন, জেক্সন অমদি দ্রেমজিৎনা চনখি। য়ুরেম্বমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বিকেশনা চনখি।

# অম্ফানা ঐচ ও আরগী মহুৎ শিন্দুনা ঙাকপীনবা হায়জরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর২০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী ক্বালিফায়িং রাউন্দ ওইরিবা এ শান্তা মীতৈ ১৩শুবা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ওক্টোবর ১৮-দা শান্নখিবা মেটচরিপোর্ট মতম চানা থাহৌদবগী হেদ ওফ দি রেফরিগী মহুৎ শিল্লগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা ঙাকপীনবা হায়রক্লি।

থৌদোক অসি ঐচ ও আরগী ইমুংগী ওইবা খূদক্কী খূদোংচাদবা অমা লাকপদগী থাহৌখিদবনি। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহল্লরোই হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাজবা পীরক্লি।

অমরোমদা, অম্ফানা থাদোরকপা চেরোল অমদা খেলোইন্দিয়া ষ্টেটলীগ ফোর অন্দর-১৭ গলর্সকী ওক্টোবর ১৯দা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ৱাই দল্লিয়ু সী থম্বালখোং অমদি ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দল্লিয়ু সী থম্বালখোংগী মেনেজর তোইজম রবিকুমারনা ফিল্ডদা বট্টল কাওশিনবা অমদি টিম অসিগী ওফিসল ৱাংখৈরাকপম তোম্বনা ফিল্ডদা চঙশিন্দুনা মখোয়গী শান্নরোয়শিংদা মচীন থীবা ৱা ঙাংদুনা চৈবা অমদি কিন্না থিঞ্জিনবগী থৌদোকপু ঙসি অম্ফাগী ইমর্জেন্সি কম্মিটি মীফম পাঙথোক্তুনা কুপ্না খন্নরবা মতুং ৱাংখৈরাকপম তোম্বা মেটচ অমা সস্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫গী ফাইন থীনবা খঙহনখ্রে অদুগা মেনেজর তোইজম রবিকুমারবুনা মথংদা অমুক হন্না তৌরক্তনবা ৱার্নিং পীখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা রিলিজ অমদা অম্ফানা চেকশিন ৱা থম্লদুনা মণিপুর ষ্টেট লীগ অমদি অনীশুবা অম্ফা কপকী খনগৎখ্রবা মেটচ ওফিসলশিংনা অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংদা শরুকয়াদনবা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, অম্ফাগী প্রেস লিরিজ অমদা হান্না নেসনল ফুটবোল প্লেয়র ওইরম্বা উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকাইদগী নিংঙোম্বম বিরেননা থা অসিগী ১২দা মহাক্কী ময়ূমদা লৈখিদববু অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

Pls. Visit ꯁꯥꯖꯥꯏ ꯃꯥꯆꯥꯛ Pls. Visit

C.S.D.O Crafts Bazar

Organised By :- The Crafts and Social Development Organisation (CSDO), Kongba Makha Nandeibam Leikai, Imphal East, Manipur.


Sponsored By :- Office of the Development Commissioner (Handicrafts), Ministry of Textiles, Govt. of India, New Delhi.

Venue :- Phairembam Leikai Community Hall, Moirang, Bishnupur District, Manipur.

Date :- 14th October to 23rd October, 2022

HL-P/4538/21 & 22

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 605

**Emanuel Stepanovich Schiffers - Mikhail Chigorin**
**St Petersburg m St Petersburg (13), 1897**

1.e4 e5 2.Nf3 f6 3.Nxe5 Qe7 4.Nf3 d5
5.d3 dxe4 6.dxe4 Qxe4+ 7.Be2 Nc6 8.O-O Bd7
9.Nc3 Qg6 10.Ne5 Nxe5 11.Bh5 O-O-O 12.Bxg6 hxg6
13.Qe2 Bd6 14.Ne4 Nf3+ 15.gxf3 Bxh2+ 16.Kg2 Bh3+
17.Kh1 Be5 18.Kg1 Bh2+ 19.Kh1 Be5 20.Qe1 Bg4+
21.Kg1 Bxf3 22.Ng3 Ne7 23.Qe3 Bc6 24.Qxa7...

**QUESTION :**

**Black to checkmate**

**Puzzle 604 Ans. :**

32. Qd4 Intermediate move
Not 32. dxe6 because of Rxd1+
32. ...Bxd4 33. dxe6 The white pawn captures Black's queen, which was defending Black's rook. Bxc3 34. exd7
32. Rcd2 Qxh3 33. Rh2 Qxe3+ 34. Kh1 h5 35. gxh6 Kh7
36. Be5 Rb6 37. Kg2 f6 38. Rh3 Qg1+ 39. Qxg1 Bxg1
40. Kxg1 fxe5 41. fxe5 Rb8 42. Re3 Rbd8 43. d6 Re8
44. Rxe4 Re6 45. Kf2
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com